# ‘মন কি বাট পেল্লে, থবক্কী ৱা ওইনা ঙাঙঙু’

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ৩১ ঃ

লৈবাক মীয়াম্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ‘মন কি বাট’ প্রোগ্রাম মখা তানা তানিংদ্রে হায়না কোংগ্রেসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা প্রমোদ টিৱারিনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রোগ্রাম অসিদা মতম মাঙহনবগী মহুৎ থবক্কী ৱা ঙাঙগদবনি অমসুং মীখল মতমদা শকখিবা ৱাশক ঙাক্লবা হোৎনগদবনি।

মন কি বাটনা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম কোকহনবা ঙক্লোই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরগী অছে দিন অমদি মন কি বাটনা লৈবাক অসিগী ৱাথোক অমত্তা লোইশিনহনবা ঙম্লোই। গভর্ণমেন্ট অসিনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলবা মতমদা ৱাথোক পুন্নমক লোইশিনহনবা ঙমগনি।

কোংগ্রেস পার্টিনা মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টরগী মন কি বাটপু এদভর্টিজমেন্ট প্রোগ্রামনি অমসুং গভর্ণমেন্টকী মেছিন্নরিবু অরানবা মওংদা শীজিন্নবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা প্রাইম মিনিষ্টরনা দ্রগ এদিক্সন, লৌমীশিংগী অৱাবা, শেঞ্জা-থুমজা, লম্বীগী খুদোংথীবা অমসুং নুপীগী মশীং হন্থরকপনচিংবা মহাক্কী থম্মোয়দা ফাওরকপা কয়া ফোঙদোকখি।

খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা রেডিও প্রোগ্রাম অসিগী খুথাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা খাদিগী মতাংদা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, খাদিনা লৈবাক অসিগী মীওই কয়া থবক পীদুনা মরোমদোম হিংজনবগী খুদোংচাবা পীরি। শুপ্নগী চহী ২খক্কী মনুংদা ইন্দিয়ানা মালেমদা মাঙজিল থাবা লৈবাক অমা ওইবা ঙল্লক্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মীয়াম্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরবদি খুদোংথীবা অমদি খুদোংচাদবা পুন্নমক মীয়ামগী কান্নগদবা মওংদা শীজিন্নবা য়াগনি।

লৈবাক অসিদা নুপীগী মশীং হন্থরকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মীওই অয়াম্বনা অঙাং নুপা পাম্বদগী লৈবাক অসিদা নুপীগী মশীং হন্থরকপনি। হরিয়ানাদা নুপীমচাগী মশীং হেঙ্গৎলকপগীদমক ষ্টেট অসিবু অৱাংবা থাক্তা ইকাইখুম্নফম থোকই।

গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অরিবা অমসুং মতমগা চুনদ্রবা লো কয়া চৎনদুনা লৈবদগী লৈবাক অসিদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নহল্লে। এন দি এ গভর্ণমেন্টনা অনৌবা লো কয়া চৎনহন্নবা হোৎনরি।

শেঞ্জা-থুমজাগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মতম অমদা পাক শন্না চথরম্বা শেঞ্জা-থুমজাগী থৌওং অদু গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা চাং হন্থহনবা ঙম্লে। লাইরবা মীয়ামগী খুদোংচানবা থৌরাং কয়াসু লৌখৎপা ঙম্লে। কুমজা ২০১৫দা খুঙ্গংগী লাইরবা ইমুং কয়াদা চাকথোং গ্যাস শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংহল্লে। থৌওং অসিনা শীং অমদি কোইলা মৈ থাবদগী থোকহল্লক্কদবা ঈশিং-নুংশিৎ মোৎপগী চাং খরমখৈ হন্থহনবা ঙম্লে।

বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা গভর্ণমেন্ট হেক পায়রকখিবগা লৈবাক্কী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎলকপগা লোয়ননা ইনফ্লেসনগী চাং হন্থরক্লে অমসুং মপান লৈবাক্তগী শেল চাউনা থাদরকপগা লোয়ননা ফিস্কেল দিফিসিট হন্থহনবা ঙম্লে।

কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) চাদা ৩৩ হেঙ্গৎহন্নবা পান্দম থম্লি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, হৌখিবা থা ১৮গী মনুংদা মালেমগী ওইনা ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্ট (এফ দি আই) হন্থরকখ্রবসু ইন্দিয়াগী ওইনদি চাদা ৩৯ হেঙ্গৎলকখি। হৌখিবা চহী লোইরমদাইদগী ইন্দিয়ানা মালেমদা মাঙজিল থাবা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লকখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লাইরবা মীয়ামগীদমক খল্লগা অফবা লৈঙাক অমা লৈহনবা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, লৈঙাক্না শোইরকপা মতমদা খ্বাইদগী চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবসি লাইরবা মীয়ামনি।



# সক্রুঘনগী ৱাফম নবাম টুকিনা শৌগৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ৩১ ঃ

অরুনাচল প্রদেশতা লালগী মতৌগুম চরাংনবা থোকখিদে হায়না সক্রুঘন সিনহানা ফোঙদোকখিবা ৱাফমবু ষ্টেট অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নবাম টুকিনা শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

লালগী মতৌগুম চরাংনবা ফীভম মায়োক্নখিদবা অরুনাচল প্রদেশতা করি মরমগী সেন্টরনা প্রসিদেন্ট’স রুল থমখ্রিবনো হায়না বি জে পিগী এম পি সক্রুঘন সিনহানা এন দি এ গভর্ণমেন্টতা হংখিবনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা নবাম টুকিনা হায়খি, অরুনাচল প্রদেশকী মীয়ামদা ফাওরিবা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা পুন্নমক সক্রুঘন সিনহাগী ৱারোল অদুদা ময়েক শেংনা মমি তাখি। অরুনাচল প্রদেশকী মথক্তা সেন্টরনা চুমদবা থৌওং অমা চথখি হায়বা লৈবাক মীয়াম্না খঙনরবনি। হীরম অসিদা সুপ্রিম কোর্টনা অচুম্বা ৱায়েল অমা পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

অরুনাচল প্রদেশতা লালগী মতৌগুম চরাংনবা থোকখি হায়না সেন্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমবু য়ানিংদবা উৎলদুনা নবাম টুকিনা হায়খি, মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট তানরমদবা মরম্না সেন্টরগী থৌওং অদু অচুম্বা নত্তে। ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্ট’স রুল থম্নবা ৱারেপ লৌদ্রিঙৈদা সেন্টরনা মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তানখিদবা মরম্না নাকল নাম্মতগী ওইবা রিপোর্টনি হায়না লৌফম থোকই।

পনবা য়াবদি, অরুনাচল প্রদেশতা প্রসিদেন্ট’স রুল থমখিবা সেন্টরগী থৌওংবু বি জে পিগী এম পি সক্রুঘন সিনহানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা সিনহানা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টনা করিগুম্বা সেন্টরগী খোঙথাং অসিগী মায়োক্তা ৱায়েল পীরকপা থোক্লবদি এন দি এ গভর্ণমেন্টনা ফম থাদোকপা ঙমগদ্রা। অরুনাচল প্রদেশকুম্বা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট অমদা মতৌ অসুম্না পার্টি খেন্নবগী খুদোংচাবা লৌরগা প্রসিদেন্ট’স রুল থমখিবা থৌওং অদু অরানবা খোঙথাংনি।

পনবা য়াবদি, সেন্টরনা মমাঙদা অরুনাচল প্রদেশকা মরী লৈনবা রিপোর্ট অমা সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখ্রবনি। ষ্টেট অসিদা পোলিটিকেল ক্রাইসিস থোক্লকপদগী গভর্ণমেন্টনা মওং মরিল তানা লৈঙাক থৌদাং লৌবা ঙমদবগা লোয়ননা ষ্টেটকী লো অমদি ওর্দরগী ফীভম শোকচিল্লক্লে হায়না সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর নবাম টুকিনা কাঙলুপ নাইবা মওংদা পোলিটিক্স তৌবদগী অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরকখিবগা লোয়ননা কন্সটিট্যুসনগী মেছিন্নরি পুন্নমক ফেল ওইরে হায়না সুপ্রিম কোর্টতা সেন্টরনা ফোঙদোকখি।

এপেক্স কোর্টতা পীশিনখিবা রিপোর্ট অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর নবাম টুকিনা কাঙলুপ নাইবা পোলিটিক্স তৌদুনা গভর্নরগী মায়োক্তা ফোংনা ঈহৌ শাগৎখি।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৮ দা নবাম টুকিনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা চেরোল অমা পীশিন্দুনা গভর্নর জ্যাটি প্রসাদ রাজখোৱা মফম লৌথোক্লবা তকশিনখি। চীফ মিনিষ্টরগী খোঙথাং অদু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখি।

জন্যুৱারী ২৮ দা অরুনাচল প্রদেশকী গভর্নরনা ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্ট’স রুল থম্নবগী মতাংদা রেকমেন্দ তৌখিবা ৱারোল অদুমক সুপ্রিম কোর্টতা সিল্ড তৌরবা এনভলপ অমদা হাপ্লগা থাখি। অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট অমা ওইরিবা অরুনাচল প্রদেশতা পোলিটিকেলগী ওইবা চরাংনবা ফীভম অমা থোরকপদগী তঙাইফদনা প্রসিদেন্ট’স রুল থম্নবা সেন্টরদা ৱাকৎখিবনি হায়না গভর্নরনা ফোঙদোকখি।

# ব্যুরোক্রেটশিংনা মপান লৈবাক্তা চৎপগী মতাংদা কাঙলোন কোমথোক্লে




ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ৩১ ঃ

ব্যুরোক্রেটশিংনা মপান লৈবাক্তা চৎপগী মতাংদা লৈরম্বা কাঙলোন কোমথোকখিবগা লোয়ননা জোইন্ট সেক্রেটরি ফাওবগী থাক্তা লৈবা ওফিসরশিংনা মপান লৈবাক অমদা ট্রেনিংগীদমক চৎপদা স্ক্রিনিং কম্মিটি ওফ সেক্রেটরিজ (এস সী ও)গী অয়াবা লৌদ্রবসু য়ারগনি।

ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী এক্সপেন্দিচর দিপার্টমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা ওফিস মেমোরেন্দম অমা থোক্লদুনা হায়খি, জোইন্ট সেক্রেটরি ফাওবগী থাক্তা লৈবা ওফিসর অমনা মপান লৈবাক্তা ট্রেনিং প্রোগ্রাম য়াওবা চৎলমদাইদা এস সী ওগী অয়াবা লৌবগী মথৌ তাররোই।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা মিনিষ্ট্রিনা ব্যুরোক্রেটশিংগী ফোরেন ভিজিটকা মরী লৈননা সর্ক্যুলর অমা থোকখ্রবনি। জন্যুৱারী ৫ দা থোকখিবা সর্ক্যুলর অদুনা হায়খি মদুদি, ব্যুরোক্রেট অমনা মপান লৈবাক্তা চৎপা মতমদা নুমিৎ ৫ নিদগী হেনবা য়ারোই। চহী অমগী মনুংদা মপান লৈবাক্কী খোঙচৎ ৪ রক্তগী হেন্না চৎপা য়ারোই হায়নসু সর্ক্যুলর অদুনা ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী গাইদলাইননা হায়খ্রে মদুদি, সেক্রেটরিগী থাক্তা লৈবা ওফিসারশিংনা পার্লিয়ামেন্ট মীফম মনুংদা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা অতোপ্পা লৈবাক্তা চৎপা য়ারোই। মতম অমুক্তদা দিপার্টমেন্ট অমগী সেক্রেটরি অমদি মিনিষ্টর পুন্না চৎপা য়ারোই হায়নসু ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী গাইদলাইননা ফোঙদোকখি। করিগুম্বা সেক্রেটরি অমনা গাইদলাইন অসিগী ৱাংমদা চহী অমগী মনুংদা মঙারক্তগী হেন্না মপান লৈবাক্তা চৎকদবা লৈরবদি প্রাইম মিনিষ্টরদগী মাঙজৌননা অয়াবা লৌগদবনি হায়রি।

গভর্ণমেন্টকী মকোক থেংবা ওফিসলশিংনা ঙাইহাক লৈতনা মপান লৈবাক্তা চৎপগী থৌওং থিংবগা লোয়ননা হীরম অসিদা অকক্লবা কাঙলোন অমা ঙাক্না চৎহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। কনাগুম্বা ব্যুরোক্রেট অমনা মপান লৈবাক্তা চৎত্রিঙৈগী মমাঙদা স্ক্রিনিং কম্মিটি ওফ সেক্রেটরিজগী অয়াবা লৌগদবনি। অদুবু তঙাইফদবা ট্রেনিংগীদমক চৎপা ওইরবদি অয়াবা লৌবগী মথৌ তাদে হায়রি।

অনৌবা গাইদলাইন অসিগী মতুংইন্না কনাগুম্বা ওফিসল অমনা মপান লৈবাক্তা চৎপা মতমদা নুমিৎ ৫ নিদগী হেন্না চৎপা য়ারোই। অদুমওইনমক প্রাইভেট সেক্টর অন্দরটেক্কিং অমসুং ওটোনোমস বোদিশিংগী মতাংদদি কাঙলোন অসি চৎনরোই হায়না গাইদলাইন অদুনা ফোঙদোকখি।

য়ানবা অমগী মখাদা মপান লৈবাক অমনা কৌরকপা মতমদা ব্যুরোক্রেটশিংনা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎপগী মতাংদা অথিংবা লৈরোই। অদুমওইনমক হায়রিবা লৈবাক অদু ইন্দিয়াগা বাইলেটরেল/মল্টিলেটরেল এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনবা লৈবাক ওইগদবনি হায়রি।

# মেহবুবা মুফটিনা পার্টিগী লুচিংবশিং উনখ্রে

শ্রীনগর, জন্যুৱারী ৩১ ঃ

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চীফ মিনিষ্টর মুফটি মহমদ সয়ীদনা লৈখিদবা চয়োল অহুম হেঞ্জিল্লক্লবসু ষ্টেট অসিদা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙম্বগী ফীভম লৈত্রি।

পি দি পিগী লুচিংবী মেহবুবা মুফটিনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা অমসুং বি জে পিগা চৎমিন্নবগী মতাংদা চপ চাবা ৱারেপ অমত্তা লৌবা ঙমদ্রি। মেহবুবা মুফটিনা ঙসি পার্টিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিং উনদুনা ষ্টেট অসিদা চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

মীফম লোইরবা মতুংদা পি দি পিগী লুচিংবা নাইম অখটারনা পাউমীশিংদা হায়খি, ওর্গনাইজেসনগী থবক থৌরমশিং মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক পার্টিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখিবনি। গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী মতাংদা খন্নখিবা লৈতে।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না এল্লাইন্স শেম্বগী মতাংদা বি জে পিনা চপ চাবা ফিরেপ অমা ফোঙদোরক্ত্রিবা ফাওবা মেহবুবা মুফটিনা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা ক্লেম তৌখিরোই হায়রি। লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপা মুফটি মহমদ সয়ীদনা মীয়ামদা শক্লম্বা ৱাশক অদুগী মতাংদা মেহবুবানা নুংনাংবা পোক্লি হায়না পি দি পিগী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

ছোর্স অমনা হায়খি, নেসনেল কনফরেন্স অমদি কোংগ্রেসনা পার্টি অমত্তদা শৌগৎপগী ৱাফম লৈতবা মরম্না ষ্টেট অসিদা মরক্কী মীখল পাঙথোক্লবা য়াই। সীট ৮৭ লৈবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা পি দি পিগী এম এল এ ২৮, বি জে পিগী ২৫, নেসনেল কনফরেন্সকী ১৫, কোংগ্রেসকী ১২, সী পি আই-এমগী ১ অমসুং পিপল’স কনফরেন্সকী এম এল এ ২ লৈরিবনি।

মরকসিদা, নেসনেল কনফরেন্সকী লুচিংবা ফরুখ অব্দুলাহনা হায়খ্রে মদুদি লৈখিদ্রবা মুফটি মহমদ সয়ীদনা পামজরম্বা পুন্নমক থবক্ত ওন্থোকপা ঙম্নবগীদমক মেহবুবা মুফটিনা চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট অমা শেমগদবনি। করিগুম্বা বি জে পিনা গভর্ণমেন্ট শেম্মীন্নবগী ৱাফম হৌদোরকপা তারবদি পার্টি অসিগা খুৎশম্নদুনা চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নদা অকায়বা লৈতে হায়না অব্দুলাহনা মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মহাক্কী ৱাফম অসি মচানুপা ওমার অব্দুলাহনদি য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

# ‘রোহিটকী পুন্সি মাঙহনবীখ্রে, হৌজিক্না মহাক্কী আইদেন্টিটি মাঙহন্নবা হোৎনরি’

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ৩১ ঃ

রোহিট ভেমুলাগী পুন্সি অমদি মহাক্না লৌরম্বা থৌদাং পুন্নমক মীয়াম্না মতম চুপ্পা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি হায়না কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্না হায়খি, অহানবদা মখোয়না রোহিটকী পুন্সি মাঙহনবীখ্রে, হৌজিক্না অমুক মহাক্কী আইদেন্টিটি মাঙহন্নবা হোৎনরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস)না হন্থবা থাক্কী মহৈরোয়শিংবু নমথনবা হোৎনরি।

পনবা য়াবদি, বি জে পিগী সিনিয়র লিদরসু ওইরিবা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ঙরাং রোহিট ভেমুলাবু দলিট নত্তে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্না হায়খি, রোহিটকী মমা-মপা অনীমক দলিট ফুরুপকী মীওই নত্তে।

মরকসিদা, নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি এন সী পিনা এন দি এ গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খ্রে মদুদি, কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা রোহিট ভেমুলাগী মতাংদা লৌরক্লিবা থৌদাং অসি থাগৎনিংঙাইনি।

এন সী পিগী লুচিংবা মাজীদ মেমননা হায়খি, রোহিট ভেমুলা লৈখিদবগী মতাংদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা নেসনেলগী থাক্তা পুখৎতুনা পোলিটিকেল ইসু অমা ওইহল্লক্লিবসি অচুম্বা খোঙথাংনি।

মমাঙদা বি জে পিনা রাহুল গান্ধীগী থৌওং অসি পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

বি জে পিগী নেসনেল স্পোক্সপার্সন সমবিট পত্রানা হায়খি, দলিট মহৈরোয় অমা লৈখিদবগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লক্তুনা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরে। মহৈরোয় অমা লৈখিদবগী মতাংদা মশাগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরদুনা হাইদ্রবাদ য়ুনিভর্সিটিদা চৎখিবা রাহুল গান্ধীগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়নসু বি জে পিগী স্পোক্সপার্সন অসিনা ফোঙদোকখি।

/নুঙশং লায়না ফহনবীবা ওজাবু থাগৎচরি



ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক বজারদা লৈবা **এম দি টাজ খান (৯৮৫৬৫৩৭৮৩৩)** ওজা অসিনা ঐগী ইশাদা নারম্বা মতম শাংনা লায়েংবদা ফরমদবা অদু ওজা টাজ খান অসি থেংনদুনা লায়েংবীবদগী ঐগী ইশাদা নারম্বা নুঙশংগী লায়না অদু পুম্ফ ফজরে। ওজাবু মতম শাংনা পুন্সি নুংশাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না ঈশ্বরদা থৌনিজরি অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**লায়েংফম ঃ-**

1. Mayang Imphal Konchak Bazar (6:00 am to 11.00 am)
2. Porompat Pangal Leirak (1:00 pm to 5:00 pm)

H/L-P/4090/14/01to13/02

থাগৎচরিবা :- মিস সাবিনা, লিলোং

/অথুবগী ওইনা থবক কৌজরি

SMART SECURITY SERVICE (SSS)

Tera Bazar, Near KK Gas, Opposite - Indian Oil, Imphal West-01

Regd. No. 163 of 2009-10

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary | Facilities |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Gunman/Arm guard (M) | 6 | VIII and above | 7000-20000 | Insurance+ Pencil System + Bonus |
| 2. | Security Guard (Male/Female) | 35 | VIII and above | 5000-16000 | Insurance+ Pencil System + Bonus |
| 3. | Driver | 4 | VIII and above | 5500-18000 | Insurance+Pencil System + Bonus |
| 4. | House Keeping | 6 | VIII and above | 4500-9000 | Insurance+Pencil System + Bonus |
| 5. | Security Superviser | 4 | Ex-Serviceman | 6000-15000 | Insurance+Pencil System + Bonus |

অহানবা লাকপশিংদা খুদোংচাবা পীজগনি। অকুপ্পা মরোল ওফিসতা লাকপীদুনা তান্নবীয়ু।

Form Available at office from 10 am to 4.30 pm

Please contact: 8415820411/8413884931

Sd/-
Manager
Smart Security Service (SSS)

HL-P/7448/1,2

THE

LITTLE MASTER ENGLISH HIGHER SECONDARY SCHOOL SHAMUROU

(Recognised by Govt. of Manipur)

The Biggest Co-educational Residential School in Manipur

"EXCELLENCE IS NEVER AN ACCIDENT"

ADMISSION OPEN

FOR 2016-17 SESSION

(NURSERY TO CLASS X)

We are proud of our Luminaries.

40+ Position holders in both HSLCE & HSC
70+ Selection in Medical and Engineering Exams so far
200+ officers in Various state and Central Govt. Departments.

Some of our Achievers

1. Dr. Abujam Indrajit Singh (Asstt. Proff. JNIMS)
2. Dr. Laishram Ayingbi (M.O)
3. Dr. Yanglem Elizabeth (M.O)
4. Dr. O. Chingkheileima (M.O)
5. Dr. Yumnam Bidyaluxmi (M.O)
6. Dr. Longjam Anil (M.O)
7. Dr. Leishangthem Reena (M.O)
8. Dr. Moirangmayum Sadananda (M.O)
9. Dr. Shapam Anuradha (M.O)
10. Dr. Laishram Nungshitombi (M.O)
11. Dr. Tekcham Tampha (M.O)
12. Dr. Moirangmayum Omilakumari (M.O)
13. Dr. Malemnganba Laishram (M.O)
14. Dr. Thingujam Surbala (M.O)
15. Dr. Sanarose (M.O)
16. Dr. Ym Amir (M.O)
17. Dr. Loitongbam Bidyarani (M.O)
18. Hidam Kumarjit Singh, Asstt. Proff. G.U.
19. M. Indrakumar (Asstt. Comdtt., CRPF)
20. M. Okendrajit (Asstt. Comdtt., CISF)
21. Ym. Sabir (Indian Foreign Service, IFS)
22. Thanjam Sanatomba (MPS-2014)
23. Moirangmayum Bishworjit (MPS-2014)
24. Md. Firoz Khan (MCS-2014)
25. Abujam Romen Singh (MCS-2014)
26. Sorokhaibam Imosana (MCS)
27. Oinam Sandhyarani (Asstt. Comdtt., CRPF)
28. Oinam Nganthoi (Lieutenant, Indian Army)
29. Shougrakpam Prakash (Manager, Bank of India)
30. Baghatchand (Branch Manager, C.B.I.)
31. Oinam Khogen Singh (Manager, Bank of India)
32. And many more...

School Boarding Fee

| Class | Boys | Girls |
|---|---|---|
| N-V | Rs. 1500/- | Rs. 1400/- |
| VI-VIII | Rs. 1600/- | Rs. 1500/- |
| IX-XII | Rs. 1700/- | Rs. 1600/- |

School Admission Fee

| Class | Fee |
|---|---|
| Nursery | - Rs. 750/- |
| Kg. | - Rs. 950/- |
| Class - I | - Rs. 1100/- |
| Class - II | - Rs. 1200/- |
| Class - III | - Rs. 1300/- |
| Class - IV | - Rs. 1400/- |
| Class - V | - Rs. 1500/- |
| Class - VI | - Rs. 1600/- |
| Class - VII | - Rs. 1700/- |
| Class - VIII | - Rs. 1800/- |
| Class - IX | - Rs. 1900/- |
| Class - X | - Rs. 2000/- |

*N.B. 1. No School Tution fee for 3rd Students of same parents.*
*2. Half Boarding fee for 3rd student of same parents.*

For Comments & Suggestions

*Write to us at :- Okendrajit83@gmail.com*
*# 9774378518*

HL-B/2929/31jan-1-14feb.

GOVERNMENT OF MANIPUR
IRRIGATION & FLOOD CONTROL DEPARTMENT

RE-TENDER NOTICE NO.01

Imphal, the 27th January, 2016

1. Tenders in two Bids system (Technical & Price Bids) are invited by the Superintending Engineer, Irrigation Circle No.-II, Irrigation & Flood Control Deptt. Manipur on behalf of the Governor of Manipur for the work indicated below :-

   i) Dolaithabi Barrage Project, L-Earthwork (SH: Construction of R.C.C. Tunnel for conveyance of water along the Right Main Canal from RD 5.320 Km to 5.740 Km).

2. Tender is to be submitted online through e-procurement/Tender Portal ***https://manipurtenders.gov.in***

**The critical dates of bids are as follows:**

| | | |
|---|---|---|
| Publishing/Downloading Tender Documents | : | 1100 hrs of 03-02-2016 |
| Last date for seeking clarifications | : | 1600 hrs of 10-02-2016 |
| Last date for submission of Bid Security (EMD) as Bank Draft/Bank Guarantee and Tender Fee as Bank Draft in original | : | 1600 hrs of 20-02-2016 |
| Last date for submission of tender | : | 1100 hrs of 23-02-2016 |
| Date for opening Technical Bid | : | 1300 hrs of 26-02-2016 |

3. Modification/Amendment/Corrigendum, if any, shall not be advertised in the news papers, but shall be uploaded in the website only.

(L. Tonumacha Singh)
Superintending Engineer,
Irrigation Circle No.-II,IFC Deptt.,
Manipur

No.2/33/2015-DIPR(Pt.)

HL-B/2930/31 Jan, 01 Feb.

ERAMDAM MANIPUR CHAOKHAT KHONGTHANG FINANCE SERVICE (EMCKFS)

SANGAIPROU BRANCH, IMPHAL
OINAM BRANCH

NEED A LOAN ??

EMCKFS PROVIDES ON ANY KINDS OF LOAN !

Business Loan, Vendors and Hawkers Loan, Auto Loan (Honda, Hyundai, Renault, Nissan, Maruti Suzuki, Toyota, TVS, Hero etc.) on any Two Wheelers, Commercial Vehicle, Luxury Cars.

STARTING AT JUST
NO GURRANTER
10% DOWN PAYMENT
1.2% ROI P.M.
EASY DOCUMENTATION

HOUSEHOLD ITEMS, ELECTRONIC GADGETS, T.V. REFRIGERATOR, WASHING MACHINE ETC.

CONTACT
# 8730831420
# 8794588014
# 7085051896/906

Sd- Managing Director

OFFICE ADDRESS :
Sangaiprou Opposite oil pump
Oinam Bazar Near BSNL Telephone Exchange

HL-B/2911/21 Jan. - 5 Feb.

/লায়েংজরি

UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্নি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থারক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ভসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/2927/29/01-28/02